ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, দিসেম্বর ৩০, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৭০শুবা মশীং

## নুপীমচাশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা

### থৌদোকশিং য়াম্মনখ্রে, কৈদৌরগা থোকহল্লোইদগে

মণিপুর পীকই, মীশিংসু য়ামদে। অদুবু মখল কয়াগী থৌদোক-ৱাথোকশিং অমসুং ক্রাইম কয়া থোকই। চুম্নতা য়াম্না তাঙনা থোকপদগী হেঞ্জিল্লক্তুনা নুংতিগী থোক্লে, ইস্নোন কাংদনা থোরক্লে হায়বা ফাওবা য়াররক্লে। ফীভমসি তোয়না থোকচিল্লকপদগী ওইরকহনবনি। অদুগা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী মনুংদা হৌজিক্কী ওইনা তোয়না থোকপা থৌদোকশিং খরা পল্লবদা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং, লো-এন্দ-ওর্দর মেন্টিনেন্সকা হকথেংননা মরী লৈনবা অমসুং চহী নৌরিবা পীক্লিবী নুপীমচাশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা থৌদোকশিং লৌখৎপা য়াই। থৌদোক পূম্নমক থোরকহনফম থোক্তবা-থোক্লোইদবা থৌদোক ঙাক্তনি। মসিগীদমক ইল্লিগেল দ্রগকা মরী লৈনবা এক্টিভিটিশিংগীদি থৌওইনা ‘ৱার ওন দ্রগস’ হায়বা বেন্নরগী মখাদা অকনবা কেম্প্যেন অমা চথরক্লি। লো-এন্দ-ওর্দরগীসু নীংথিজনা ঙাক্তুনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা মশীং য়াল্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌরি। রাউন্দ-দি-ক্লোক মথৌ পাঙথোকহল্লি। পীক্লিবা নুপীমচাশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী মায়োক্তসু মথৌ তাবা অকনবা থবকশিং লৌখৎনবা কুমজা ২০১২দা শেমখিবা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট মণিপুরদসু চৎনরক্লি। দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজশিংদা পোক্সোগী কেসশিং খূৎপায়নবা য়ানবা স্পেসল জজশিং ওইনা দিজিগনেট তৌরি। লৈবাকসিগী ষ্টেট অতৈদা লিংখৎপদৌনা পোক্সো এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল চখনবা স্পেসল কোর্ট ফাওবা হাংদোক্তুনা মথৌ পাঙথোকহল্লক্লি। অদুবু হায়রিবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা, লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম কাইহনবা অমসুং পীক্লিবা নুপীমচাশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোকশিংদি অদুম্মক লেপ্তুনা থোকচিল্লক্লি। মতাংসি য়ৌশিল্লকপদদি করি তৌরগা থোকহল্লোইদগে হায়বগী মতাংদা হকচিনবা থবক থৌরম খরদি লৌখৎহৌবা চুমগনি খল্লি।

পীক্লিবী অমসুং চহী নৌরিবা নুপীমচাশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী থৌদোকসি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। অদুবু চৎলিবা দিসেম্বর, ২০২২দা থোকখিবা থৌদোকশিং ফাওবা লোইনা কোখোক্লুদ্রবসু মশাগী চহী ৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী থৌদোক অমা দিসেম্বর ১৬, ২০২২গী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তাওবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা চেক্কোন অমগী খোলাদা থোকখি। মথংগী নুমিৎ দিসেম্বর ১৭, ২০২২গী নুমিদাংৱাইরমদনা দিষ্ট্রিক্টসিগী মনুং চল্লিবা খোঙহাম্পাৎ অৱাং লৈকায়গী মফম অমদগী মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু নমদুনা ফাদুনা পুরগা কার অমদা হাপচিল্লগা থৌনা থৌনা নহা অনীনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী থৌদোক থোকখি। দিসেম্বর ২২, ২০২২দনা থা ২/৩ লোমগী মমাঙদা চহী ৭ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সত্রাম মনীং লৈকায়দা লৈবা মীওই অমগী মারুটি কার-৮০০ অমা অমসুং মহাক্কী য়ূমগী পোৎ-চৈশিং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনবগী থৌদোক থোকখি। হায়বদি নুপীমচাশিংবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লে হায়বনি। মরম অসিনা ফীভমসিনা মসি য়ৌশিল্লক্লগদি কৈদৌবা তাবগে হায়বরোমদা খন্নবা চুম্লগনি হায়নীংই। লোয়ননা মমাঙদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসি হঙ্গৎনা য়েংবগীসু কান্নবা লৈগনি। নুপীমচাশিংগী মমা মপা ওইবশিং য়াওনা ইমুংগী মীওইশিংনা নুপীমচাশিংবু অমম অথেংদা য়ূমদগী নাইতোম মপান থোকহল্লোইদবনি। মফি-মরোল চেকশিন্না শেৎহন-চাহনগদবনি। অঙাং ওইবগী শান্ন-খোৎনবা তৌরবসু কুপশেন শেন্নবীগদবনি। চাবা থকপা য়াওনা মফি-মরোলনচিংবা য়ারিবমখৈ মনীং থুংহন্দবা লৈতনবা হোৎনবীগদবনি। অদুগা মহাক্কীদমক্তা ইমুংগী মীওইশিংনা মতম পূম্বদা ক্যের লৌরি হায়বগী ৱাখল চেলহনগদবনি। মসিগী মথক্তা মীপূম তিংনা পোক্সোগী য়াওনা মসিগা মরী লৈনবা লোগী প্রোভিজনশিং খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোরকপদা লোৎশিন্দুনা থমজিল্লোইদবনি। লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং থিন্থদনা লৌখৎলগা কোর্টতা অথুবা মতমদা ৱায়েল চখনবা থবক পায়খৎকদবনি। ৱায়েলশঙশিংনসু অথুবা ৱায়েল চখদুনা য়ারিবমখৈ অচুম্বা ৱারোইশিন অথুবা মতমদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসিদদি লোগী নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তনা ৱায়েন্নবা হোৎনরোইদবনি। কমপ্রোমাইজসু তৌরোইদবনি। থৌদোকশিংসি য়াম্মনখ্রে, চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১) **“মণীগী মঙাল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“মখৈ লৈত পেঞ্জবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ঈথৈখ্রবা ঈচেল”** হায়বসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“হিমায় চুম্বা হিরোয়গুম/হিথাংফম য়ৌনা হি হোনলিবী/ঈচেল কনবা লাইজদসু/নৌবু খূৎপায় চেৎলিবী/থোৎলবদা নঙ লৈরাংনি/কনবদা নুংগা চাংদল্লিবী/ঈশ্বরগী অঙকপা খূৎশেম/নুপী নঙ হীংদুনা লৈয়ু/যুগ যুগ খুদিং॥”** শৈরেং মতেক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“লৈমরেম্বীনি ঐ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লোন্থৈ-লোনয়ান অমদি বনানগী খুদোংচাদবশিংসি কমদৌসিগে?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

লোল অমা লৈরবদি লোলদুগী বনান-কাঙলোন হায়বা অমদি লৈফম থোকই। হৌজিক্তা ইরোল ওইরিবা মৈতৈলোলসি ঙাঙবদা অমসুং বঙ্গালি ময়েক্না ইবদা খুদোংচাদবা কয়ামুক থোক্লক্লি। মৈতৈশিংনা বঙ্গালি ময়েকপু মৈতৈলোলগী ময়েক ওইনা শীজিন্নরুবনা বঙ্গালি ময়েক্তা মৈতৈলোলগী ওইবা চপ চাবা বনানগী কাঙলোন অমা হৌজিক ফাওবদা লৈত্রি। মরু ওইনা মৈতৈলোলদি খোন্থোক্কী মতুংইন্না বনান শেম্বনি। হৌজিকপুদি ঐখোয়গী ইরোলসিগী ওইবা চপ-চাবা ময়েক লৈজরে। অদুম ওইনমক লুরিবদি লোল অমগী ময়েক হায়বসি খুদক্তা হেক্তা হোংদোক-হোংজিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুমসু মায়োক্নে। খুদোংচাদবশিংদুগীদমক খল্লগা তঙাইফদনা লোলসিগী ময়েক মপূং ফানা হোংদোক্লবা হোৎনবদা চঙদবা য়াদবা মতমদুদি ঐখোয়সু ঙাইবা তাবনি। অমুক্কসু লুরিবনা ঙাইরিঙৈ মতমসিদা ময়েক্কী থবক পূম্নমক চপ হেক লেপথোকপমক্তি য়াদবনিনা হৌজিক-হৌজিক ফাওবদি ঐখোয়সি বঙ্গালি ময়েকসিদা অসুম্মক শীজিন্নখিবা তারি। থৌদৌসিদনি নোংম-নোংমগী খুদোংচাদবা কয়ামুক থেংনরক্লিবসি। ইরোলসিগী ওইনা ঐখোয়না হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংসি মায়কৈ অনীদনি। অহানবগী মায়কৈনা বনানগী ওইবা ৱাফমদনি অদুগা অতোপ্পা অনীশুবগী মায়কৈদুনা লোলসিগী ওইবা ৱাহৈশিং শীজিন্নবদনি। ইরোলসিগী ওইবা চপ চাবা ৱাহন্থোক্কা চাননা ইবা য়াবা বনানগী ওইবা অরেপ্পা কাঙলোন অমা ফাওবা বঙ্গালি ময়েকসিদা লৈহৌদবদগী ইবা মতমদা অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়ামুকসি মায়োক্নরিবনি। অদুগা লোলগী ওইনা হায়রগনা ইরোলসিগী ওইবা ৱাহৈশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা পোৎশিংগী মমিংশিং ইরোলসিদা শুনা থোনহৌদবদগী ঙাঙবদা খুদোংচাদবা কয়ামুক মায়োক্নরকই। থৌদৌশিংসি ঐখোয়না মতম কুইনদগী হৌনা থেংনদুনা লাক্লবনি। অদুম ওইনমক খুদোংচাদবশিংসি কোক্লবগীদমক ঐখোয়নসু ঙসি ফাওবদা চপ-চাবা সোলুসন অমদি পুথোকপা খক তৌদ্রি।

মৈতৈশিংনা হৌজিক্তা শীজিন্নরিবা মৈতৈ ঐখোয়গী ইরোল ওইরিবা মৈতৈলোল হায়বসিদা বনানগী ওইবা ৱাফম হায়বা অমা হেক লাকপদনি ঐখোয়না কোক হেক্তা ঙাওরিবসি। লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওই অমদা ‘তোলোব চাবা’ হায়না ইবগা ‘তলব চাবা’ হায়না ইবা বনানসিদা ওইনা ইবনা ময়েক শেংনা চুমগনি। অদুম ওইনমক ‘তোলোব’ হায়বা ৱাহৈসিগী বনানসু মমাঙঙৈদগী হৌনা মৈতৈলোলদা ‘তলব’ হায়না ইনবসি চৎনদুনা অদুম্মক লাকই। হৌজিক্তা ক্বা সুপারি মকুপনা শাবা, মশাগী অশেংবা বনানদা ‘তলব’ হায়না ইজবা পোৎশকসিমা অমুক্কা থোকচিল্লকপসিদা বনান অনীসিগী মরক্তা মৈতৈলোলদা হৌজিক হৌজিকসি চপ চানা চমন্নবা থৌদৌ অমা ওইরকপনি। তৌববুদি ‘তলব’ হায়না ইবা চানবা পোৎশকসিমবুদি হৌজিক্তদা, কাইনথংদা থোক্লকপনি। মৈতৈ লৈবাকসিদা পোৎশকসি হান্না মৈতৈলোলদা লৈরমদবনি। তৌবদি অসিগুম্বা থৌদৌসিদগী ঙাক্তনি হৌজিক্তা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা মশীং থিঙমদ্রবা পোৎশক ময়াম অমগী মমিং মৈতৈলোলদা লৈরমদ্রিবসি। মতাংসিদা ময়ামদু লোইনা পনবমক্তি ওইথোক্ত্রবসু, খরদংদা ওইরসু তঙাইফদনা পল্লমদ্রবদি নৈনরিবসি মপূং ফাররোইদবরা খল্লি। খরদং পল্লবদা বেটরি, কেটলি, রিক্সো, বোল, গাড়ী, ঘড়ী, শারি, জেনেরেটর, ত্রেন, এরোপ্লেন, টোর্চলাইট, আনোক, ফিল্ম, সিনেমা, সিনেমা হোল, মাইক অসিনচিংবা হায়বদা লোইররোইদবা, ইরোলদা মমিং থোন্দ্রবা পোৎশকশিং ময়াম অমনি। অদুগা, ঙল্লবসু ঙন্না ইরোলদা হন্দোক্তুনা মৈতৈলোলদা মমিং থোল্লন্নবা পোৎশকশিং খরগী মনুংদগী হায়রগনা মূকতাবী, লৌরুংশঙ, মহৈশঙ, মৈ (ইলেক্ত্রিক), কোনয়াই, নোংমৈ, লিক্লি, লিক্লাই অসিনচিংবা খরসিনি। মীরমদগী নৌনা ইরমদা পুশিল্লকপা পোৎ-চৈশিংসি ময়েক্কী অতাবীদা হায়রবদি ঐখোয়গী লোলসিদা মমিং অমমমদি শোয়দনমক্কী থোল্লন্ফম থোকপনি। থোলহৌদবগী অশোয়বদুনা মমৈথংদা ঐখোয়গী ইরোলসি মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংনা তাবদা মীগী লোল ঙাক্তনা অয়াম্বা ওইবসিবু কমদৌরিবা জাৎনো হায়বা ৱাখলসি খলহল্লক্লবগী মচাক ওইরকই। খঙদে, ঐখোয়সি তৌদ্রবরা হায়রসু তৌই, চাননা তৌরবরা হায়রসু হেক্তা তৌরমদে। খুদম ওইনা খরদং পল্লবদা, মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংগী মনুংদা গ্রাস কার্পপু নাপী চাবী হায়দুনা ইরোলসিদা হন্দোক্তুনা মমিং থোল্লন্মী। কম্মন কার্প নৎত্রগা গোল্ডন কার্পপুসু পুক্লাওবী নৎত্রগা খারাউবী হায়দুনা মমিং অদুম থোল্লন্মী। সিদসু নত্তে, হন্দক্তা হায়বা তাই, ইকুই-কুইদ্রিবদা, কাংচাবী নৎত্রগা কাঙজাবী-ঙা হায়না খঙনবা ঙা মখল অমসু নৌনা থেংনরি। অদুবু থোল্লোদনা হায়রগসু সিলভর কার্পপুদি কৈদৌঙৈদসু খক ইরোলসিদা হন্দোক্তুনা মমিং থোল্লমদে। সিলভর কার্পপুসু ইরোলদা হন্দোক্লগা লুপা-ঙা হায়না কৌনরম্বদা করি কায়বগে? অদুবু কৌনবদি কৌনরমদে। ফীভমসিননি ঐখোয়গী ইরোলসিবু মীরমদমগী মীশিংগী মমাঙদা হেক-হেক হন্থবা থাক্কী লোলগুম উহল্লিবসি। থৌদৌশিংসি কোক্লবা ঐখোয় খন্নহৌবা চুমগনি।

মৈতৈলোলদা বনানগী ৱাফম খন্নবদদি বঙ্গালি ময়েকসিগী ওইনদি মমাঙঙৈদগী হৌনা অরেপ্পা পরীং-পথাপ অমত্তা খক লৈরক্তবা মাল্লি। লৈরবসু মপূং ফাদে। ৱাফমসি মথক্তসু ময়েক শেংনা পঞ্জখ্রে। হৌজিক্কী ওইনদি হায়রিবা পরিং-পথাপসি লৈহন্নবগী হোৎনবদসু তাঞ্জা চানগনি থাজদ্রে। ফীভমসিদা অমুক্কসু লোন্থৈ-লোলয়ান ময়াম অমনা ইরোলসিদা য়াওশিন-তিনশিল্লকপগী থৌদৌশিং থোকপা নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেঞ্জিল্লক্লিবনি। ফীভমসিদা ইরোলসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ডাক্টরেট দিগ্রী ময়াম অমা পীবিরক্লিবসিসু লাইবক ফত্তে-কা হায়রুবদি য়াবা নত্তে। অদুগা, মৈতৈলোল হায়বা ইরোলসিদা অৱাংবা থাক্তা নৈননীংঙাইগী মচাকশিং কয়ামুকসু য়াওরি। অসুম্না অৱাংবা থাক্তা নৈনরকপদা ডাক্টরেট দিগ্রীশিংদু পীরকপা ওইরম্বসু য়াই। মৈতৈলোলদা কয়ামরুম অমা নৈনবা য়াই। “মৈতৈলোলদা শীং হায়বসি উবুনি, য়েল হায়বদি মপাললনি, মপান্থী উ (শীং) ওইবশিংদা শাৎপা লৈপালশিংবুনা শীংয়েল (শীঙেল) কৌরগা, অপীকপা, অনেম্বা নাপী-শীংবীশিংগুম্না মুক্তা ৱাংবা পান্থীশিংদা শাৎপা লৈপালশিংবুনা লৈরাং কৌবনি, অনীমকসি পুনশিন্নরগনি ঐখোয়না “শীঙেল-লৈরাং” হায়না মিঙ্গৌনরিবসি”। মসিসু খুদম ওইনা নৈনবা মখল অমনি। অসিগুম্না, অচৌ-অচৌবা লোলশিংদগী খক তাদনা নৈননীংঙাই মচাকশিং ফংলিবা অৱাৎপা লৈত্রবা ইরোলসিদা শুপ্নগী বনান খক্লা অমসুং লোন্থৈ-লোনয়ানশিং খক্লা ইরোলসিবু লৈখা তানা চিংথহন্নবগী মচাকশিং ওইহল্লকক্দ্রা খল্লুবদনি নুংনাংবা পোক্লরিবসি। ইরোলসিদা য়াওরিবা লোন্থৈ-লোলয়ানশিংবু য়ারিবমখৈ লৌথোক্লবা হোৎনবীরিবা লূপশিংবুসু ঐখোয়না ফিজিকেল্লি শরুক য়াবমক ঙমজদ্রবসু মোরেল্লিদি হায়নীংঙাই লৈতনা সপোর্ট তৌফম থোকই। চুম্না ঙাঙনরম্বা লোলদগী থৈথরক্তুনা লোলদুগী মশক থীহল্লকপা নৎত্রগা মাঙহল্লকপা য়াবা ৱাহৈ অমসুং ৱাতাশিংবু ঐখোয়না লোন্থৈনি হায়না লৌনগনি। খুদম ওইনা মৈতৈলোলদা “ঙাইররোই” নৎত্রগা “ঙাইগে” হায়বা ৱাহৈশিংসিগী মহুক্তা মতমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা “ঙাইররোইগে” নৎত্রগা “ঙাইরগুমগে” হায়বা ৱাহৈশিংসি ওইনা থৈদোক-থৈজিন তৌদুনা শীজিন্নরক্লি। অদুগা অতোপ্পা অমনা, অতোপ্পা লোলশিংদগী পুশিল্লক্লগা ইরোলসিদা য়ানশিন্দুনা মতম কুইনা ঙাঙন-শক্লবদা য়াওরক্লবা ৱাহৈশিং, ইরোলসিগী অশেংবা ৱাহৈশিংগুম ইরোলসিদা য়ানশিন্দুনা মতম শাংনা লৈরক্লবা অতোপ্পা লোলগী ৱাহৈশিংদুবুনা ঐখোয়না লোলয়ান হায়না খঙনগনি। লোলয়ানগী খুদম খরখক্তং হায়রগনা ভাবী, দেদ্দী, মাম্মি, চাচা, অঙ্কল, অন্টি, বোজ, বদমাস, কাল, পাপী, পাপ, পুন্যা অসিনচিংবশিংসি পনবা য়াই। লোলয়ানশিংসিদি তশেংনা অতোপ্পা লোলশিংগী অশেংবা ৱাহৈশিংনি। লোন্থৈ অমসুং লোলয়ান অনীমকসি ইরোলসিদগী মতিক চানা খন্দোকখিবা মথৌ তাই। শুপ্নগী মতমদু খক্তদা ইরোলসিনা ময়েক শেংনা অমসুং মশা খিংনা লৈবা লোল অমা হায়বদু ওইরকপা ঙমগনি।

চৈরাওবা অমদগী চৈরাওবা অমা ফাওবগী মতম নৈনরবসু হৌজিক ওইরিবা বঙ্গালি ময়েকসিদদি মৈতৈলোলগী বনানগী ৱাফমসি ময়েক শেংনা খক নে নে তানা লেপ্নবা ঙমগনি থাজদে। হৌজিক য়েংগদৌরিবসি মৈতৈলোলগী ওইবা অশেংবা ময়েকসিগী মতম্না শুরকপদা খক্তা মঙাইরে। ইরোলসিদা বনান চুম্না ইজবা ঙল্লবা অমসুং লোন্থৈ-লোলয়ানশিংসি নিংথিনা খন্দোক্তুনা লৌথোকখ্রবা মতুংদগীদি ইরোলসি ইরুজবমুক শেংলনি অমসুং মতম লৈবা খিবিক্তা উতাংবীশিংতনা চয়োম শাদুনা য়ান্থদুনা লৈরম্লবা উপাল অমদগী উতাংবী মখৈ শীৎ নান্না মন্দুনা লৌথোকপীখিবগুম ইরোলসি মশা তয়াং-তয়াংজরনি অমসুং নুংঙাইজরনি। থৌদৌসি ইরোলসিবু লোল্লিবা ঐখোয়তনা মায় পাক্লবা হোৎনজগদৌবা থৌদৌনি। থৌদৌসিদং মায় পাক্লবা ঐখোয় পূন্না অমুক্তংদি হোৎনমিন্নসি। ●

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# মশীং খঙদনা থেংনদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হুরানবা মতুং মৈরিংবা মসিদি হৌনশানি। হুরান্দ্রিঙৈগী মমাঙদা চেকশিন থৌরাংবু তৌরবা হুরানবা মানবু ফনা য়াম্না শিংলবসু হুরানবা ঙমগনি হায়বসি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। থবক অদুনা শোয়দ্রিঙৈদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌহৌবা মসিদগী ফবা হেনবা অতৈ অমত্তা লৈত্রবনি। মৈশাবু করিসু খঙদ্রিবা অঙাংদুনা মৈগী মৈশা হেক খঙবদা মৈবু কৈদৌনুংদা পায়য়ু য়াগদবা নত্তে। পূম্নমকসি শোয়দনবগীদমক চেকশিনবা হায়বা অসিদগী হেনবা অতৈ অমা তাইবঙ মীওইবগী মফমদদি লৈত্রবনি। হায়নরিবদুনি চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফাদোক্লগা ... মসিমা চুমখ্রবা ফজখ্রবা পাউরৌনি। মতাং মতম চাদনা তৌনীংই হৈনীংই হায়দুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লুবদা অশোয়বা ওইগদবা কয়া অমসু লৈতবা য়াওদবা নত্তে। থায়না মমাঙঙৈগী ৱারীদা কৈনা মী চাবগী ৱারী অহল ওইরবা ইপু ইবেন্না চাকঙাইগী ৱারী ওইনা লীবীবা কাউবা লৈতনা ঙসি ফাওবা অদুমক নীংশিংনরিবসিনি। ৱারী অসিমক শুমাং কুম্মৈদা কৈ য়াওবা কয়া অমা শান্নখ্রবনি। মদুদা ধোলোক য়ৈরকপা মতমদা কৈনা চোংবগী ধোং ধোংতা... ধোলোক্কী মখোল থোক্লিবনি। মখোলসিদা কৈ থোরক্তরে হায়দুনা ফজখ্রবা লৈমা জগোয়, মাইবী জগোয় শারুবা য়াবা নত্তে। মসিদনি লুরিবসি। অপঙবা অশিংবা অনীসিগী লংদাইদা য়াম্না দরকার ওইরিবসি করিনি হায়গনি? অমদি শোয়দনা লৈরিবনি। মদুমক খঙনা চৎলবা শোয়দনমক্কী অশিংবা মীওইদুতা ওইদনিংঙাই লৈরোই। অমসু য়ানবা, অমসু য়ানবা শিনবা ঙম্বা মীওইদুমক মীওইবা কাঙলূপকী মনুংদা মশীং পংয়াম য়াল্লমগনি থাজবা ওইদ্রবনি। শিরগা লোইরবা তাইবঙসিদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা নুংশিননা লৈমিন্নবা য়াবদা নুংশিনদনা হাৎন-শুনবা মসিবু করম্বা ৱাখলনো? হকচাং তিঞ্জং-কাইজংদনা মশা ফনা হিংলিবা মহাক অদুনা করিগীদমক মীগী মপোৎ পাল্লিবা? করিগীদমক হুরানবগী ৱাখল চেল্লিবা? হুরানবদি ফাদ্রিবা মখৈ হুরানবা চিংদবনি। হেক ফাবদা হুরানবা হায়দুমা অদুমক ওইরবনি। হুরানদবা কনানো? হুরানবা মীগী মশীংনা শোয়দনা হেল্লমদৌরিবনি। হুরাল্লগা ফাহন্দবগী, খঙহন্দবগী হুরানবগী মীংথোল ফংদবগী ৱাতনি। মসিমক ওইদনবা, খঙদনবা হোৎনবা মসিমক ফরবনি।

অশি-অনাগী থবক্তা করিগীদমক ময়ূমদা শিদনা লক্মাং, তুক্মাংদা শিরিবা? মসিগুম্বা থৌদোকসি অফবদি নত্তবনি। মচা-মশু, মমা-মপা ... কয়ানা থৌগল ফজনা তৌরগা খুয়া তুশিৎননা.... মসিগুম্বা মীওইদু মরাইবক ফত্তেদা হায়রুবা য়াবা নত্তে। অশিবা হকচাং মশক খঙদোক্লবা রিমস মোর্গতা থমখ্রে। মসিমক তাবদা নুংঙাইবদি ওইদবনি। মুন্না খল্লুরবদি মসি মরাইবক্কীনি হায়রসিরা? এক্সিদেন্ট থোকপসিদি চেকশিন্দবদগীনি হায়সিরা? নৎত্রগা মরাইবক্কীনি হায়সিরা? অনীসিগী মনুংদা অমদি শোয়দনা ওইরগদবনি। শেম্বীয়ু হায়বদা শেম্বীদ্রগা খুদোংথীরক্লবা মতুংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপা মসিমা য়াম্নমক থোক্ত্রবসু মরক মরক্কী ওইনদি থোরকপসিনা নুংঙাইতবা অমদি অদুমক ফাওরবনি। শা-ষণ ফাওবা করিগুম্বা মতমদা মকোন্দা শঙ্গোন্দা চঙগনি হায়বগী চপ চাবা ৱাখল লৈরিবনি। করিগুম্বা মতমদা লম্মাংনদুনা হঞ্জিন্দবনা অমা ওইখ্রগা অয়াম্বা মতমদদি অদুমক...। করি করিগুম্বা মতমদা মী মাঙবগী পাউ অমা পাউচেগী থোঙদা হাপ্লকপা মসিমা করম্বা অফবনি হায়গনি।

মৌনহা অমা হঞ্জিল্লক্তরে কনা কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাগী ফোন নম্বর, মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন্দা পাউ পীবিয়ু। মসিবু করম্বা মথেলনো? মাঙই হঞ্জিল্লক্তরে হায়বগী পাউদি অদুমক হাপ্লকই, তাং অসুক্তা হাপখিবা... মদু হঞ্জিল্লক্লে, ফংলে হায়বদি ঙসি ফাওবা লৈখিদ্রি, য়াওখিদ্রি। লমদমসিদা ফংবা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং কয়া অমা লৈদুনসু লমদমসিগী দ্রগকী প্রোব্লেম পার্লিয়ামেন্টতা ফাওবা খন্নখিবা অফবা ওইননবগীদমক খন্নখিবা লমদমসিগী অফবা ওইনবগী থৌরাংনি। শান্ন-খোৎনবদা... মমিং চৎলবসু নাকল অমরোমদা মীওইবা খুদিংনা পামদ্রবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ওইবা...। অপাম্বা ফংনবগীদমক মখল মথেল কয়াগী নত্ত-নত্তবা চৎন-কাঙলোন কয়া অমা চথরকপা মসিদি প্রজা অমত্তনা পাম্বা থবক ওইদবনি। করিগুম্বদা লূপ অমত্তনা প্রজাশিংগীমক প্রজাশিংনা পামদবা থবক্তি তৌগে খন্দবা মসিগা মতুং তাবদা প্রজাশিংনা অঙম অঙম্বা মতেং পীরক্তনিংঙাই লৈরোই। লৈঙাক খঙদে, অমা খঙদে প্রজাশিংনবু য়াদ্রবা মথংগী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন্দা থাজবা ৱাৎলগদবনি।

কল্লকপা য়ামই, কঞ্জাওবা য়ামই... মসিমক হৌজিক হৌজিক ফোং ফোং শাদুনা লৈরবনি। নুংঙাইবা উবদা হৈনদ্রবা মীওই কয়াগী থম্মোয়, পৈশা নুংশা মরাং কাইনা পায়বদা কল্লকপা মীওই কয়া কয়ানা খুজিং ওইদুনা ঙসিদি তৌনরমদবা থবক থৌরম কয়া তৌনরকপা কৈদৌঙৈ লেপকদৌরি? মীগী ময়ূমদা নোংমৈ কাপশিনবা, বোম লংশিনবা পূম্নমক লায়র চুদৎনবা ইমুংদদি থোক্তবনি, ওইদবনি। মসিমক খ্বাইদগী অফবনি। চাওখৎপা হেল্লক্লিবা মখৈ মীওইবগী ৱাখলসিসু মথায় থায়নগী ইপা ইপুশিংগী ইচম চম্বা ৱাখল অদুমক্তি ওইবা ঙমদনা লৈরগদবনি। মশক থীখ্রবা অঙাং অমনা জগোয় রাসকী কৃষ্ণ শাবদা লৈনা লৈনা জগোয় শারকপদা নাকলদগী কৃষ্ণ শারিবদুগী মপানা কনাগী মচানো হৈখ্রেদা ফজখ্রেদা হায়রকপদা নাকলগী মনাক নক্লা লৈবা মীওই অমনা ফজনা ঙাঙলক্তবা... মদুদগী মপাদু করি নুংগী হায়জরুবনো খল্লকপা মসিগুম্বা থৌদোকসিমা লৈতে তৌদে হায়রুবা য়াবা নত্তে। নুংশিবা কৌবা মসিবু লাপথোক্ত্রিবা মখৈ মাবু নুংশিদবা মীওই অমত্তা য়াওরোইদৌরিবনি। মীবু মীনা নুংশিদনা মীওইবা নত্তবা জীবনা নুংশিবা য়াবা নত্তে। করিগীদমক মনেম মকুবু নুংশিবা কৌবা লৈখোল অমত্তা য়াওদনা... মসিনা করম্বা রাজনিতিনো খঙদ্রবনি। অহল ওইরক্লবা মীওইশিংসিদি য়ারিবমখৈ নুংশিনা তৌবীগদবনি। মখোয়শিংসিগী পুন্সিবু নুংশিনা তৌবীবদা তাইবঙবু শেম্বীবা ইবুংঙো মানা শোয়দনা অপেনবা হায়দু ওইদনীংঙাই লৈরোই। অফবা থবক তৌরগা তৌরিবা থবক অদুগী মহয় ফত্তনা কৈদৌনুংদা লাক্কদবা নত্তে অফবা অদুমক ওইনা লাক্কদবনি। মীগী ফত্তনবা খল্লবা নঙোন্দা তেকশন হনজিন্দুনা মমৈদা করিনুংগীনো খন্দনীংঙাই লৈরোই। মীচা শিসনু নীংলগা ইচা শি হায়বা অদুমক খঙহৌদনা লাক্তনীংঙাই লৈরোই। মকা লাম্না হরাও মথোই কাদুনা হিংগনি হায়বা মসিসু থাজদবদা লৈরবনি। মরমদি হিংলিবা মীওইবা খুদিংসে শুদনা নুংঙাইবা পাম্বা মীনা মশীং ফনা নিংথিজনা হেল্লকপসিনা... থবকপু লৈত্রবা মখল কয়াগী ৱাখল ময়াম অমা খল্লক্তুনা... মসি ওইদৌরিবনি। মসিদনি মথেল ময়াম অমগী থৌদোক-ৱাথোক ওইরক্লিবসি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*